ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯒꯁ ꯲꯹, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ২৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৫০ শুবা মশীং

# লৈঙাক্কী লোয়শঙ মৈ থাবা

## মীয়ামগী মাংজবনি খনবা ঙমদবা লাইবক থীবনি

***মণিপুরদা*** তাঙ্কক কয়াদা মীয়ামগী ওইবা দিমান্দ তানবদা লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়ামরুম মৈ থাদোকখিবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখি। থৌদোকশিং অসি তম্পাক্তদা নত্তনা চীংদসু অদুমক থোকই। দিমান্দগা মরী লৈনবা ৱাফম নত্তবদা মরম চাদনা খঙহৌদনা হৌরকপদগী য়াম্না মরু ওইবা ওফিসকী চে-চাং থম্বা বিল্ডিং কয়া মৈনা চাকখিবগী থৌদোক-ৱাথোকসু লৈখি। মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ মনুংদা খোয়শাওনরকপদগী ওফিসশিং মথং মথং মৈ থাবদা মৈ থারিবা কাঙবু অদুনা মৈ থাদবা লোয়শঙ ময়াম অমসু য়াওখিবগী রেকোর্দশিং লৈ। মসিনা তাক্লিবদি লৈঙাক্কী লোয়শঙ মৈ থাবগী থৌদোক্তা খোঙজং অমগা মরী লৈননা মীওই খরনা মৈ থাবা নৎত্রগা মসিগী মরুম থূপ্লগা ওফিসকী ফাইল নৎত্রগা চে-চাংশিং মাংহনখিনবা অতম্লনা শিনবা খুজিল থৌরাংগী মখাদা মৈ থাবসু ওইথোক্লিংঙাই লৈ। মসি হায়রগা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথীবা থৌদোক্তা ওফিসশিং অদুসু মৈ চাক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মণিপুরদা হন্দক্তা লৈঙাক্কী য়াম্না মরু ওইবা লোয়শঙ অনী মৈ চাকখিবগী থৌদোক থোকখ্রে। থৌদোক অনীমক কনানা করিগীদমক মৈ থাখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মসি খঙদোক্লনবা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হায়বসি তঙাই ফদে অমসুং মৈ থাখিবগী থৌদোকশিং অসিদা কনা কনা চেন্নে হায়বদু পুথোক্ল নবা হোৎনগদবনি। মখোয়বু ঙাকপীফম থোক্তে, লোগী ওইবা চপ চাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকদবনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী পামদবা থৌদোকশিং অসি থোরকপা থিংননবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং ঙাক-শেনবা হায়বসি পুলিসকী থৌদাংনি। অমরোমদা পুলিসতা থৌদাং পুন্নমকশিং অসি ইন্থোকপগী মহুত্তা ওফিস-ওফিসকী ইমপ্লোয়ীশিংনসু অহিং-নুংথিল পালি খায়দোক্লরগা মখা তানা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং মৈ থাবা থিংননবা শেন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। হীরম অসিদা চীফ সেক্রেটরিনা য়াথং অমা পীবগী মহুত্তা মাগী-মাগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনসু অদুমক থৌদাং লৌবা থোইনা কায়দে হায়না লৌই।

থৌবাল অথোকপমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক্তা শকখঙদবশিংনা মৈ থারমখি। মদুগী মতুং থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭ কী লোন্নবা অহিংদা শকখঙদবশিংনা হান্না হায় কোর্ট ওইনা শীজিন্নরম্বা হৌজিক্লা হায় কোর্ট গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী ওফিস মৈ থারমখি। কা ১৬ লৈবা ওফিস অদুদা থম্বা লৈঙাক্কী কেসকা মরী লৈনবা মমল নাইদ্রবা চে-চাং কয়ামরুম মৈনা চাকখ্রে। দিমোক্রেসিগী যুম্বী অহুমগী মনুংদা জুদিসিএরি হায়বসিসু অমনি। জুদিসিএরিনা ঙাক্লৌ পীরিবসি লৈবাক অসিগী মীওই পুন্নমকনি। মসিদা লৈঙাক্কী থৌমী নৎত্রগা থৌবাংলোয় হায়বা অমা লৈতে। মতীক ময়াই লৈবা, তৌবা ঙম্বা মীওই কয়ানা শিংনরকপা নৎত্রগা লৈঙাক পায়রিবশিংনা কনাগুম্বগী ৱাকৎ তাবীরক্তবা মতমদা মীওই অদুগী চঙজফম ৱায়েলশঙ নত্তনা লৈতে। লৈঙাক্কী মথোং হুক্তবা থৌশিল ৱায়েলশঙগী য়াথং অমনা থিংবা ঙমই। অরুনাচল প্রদেশতা ষ্টেট অদুগী গভর্ণরনা পি আর থমজিন্দুনা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহল্লবা মতুংদা ফাওবা কোর্টনা খুৎ থিংজিল্লক্তুনা পি আর থমদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক অদু ফাওবা হঞ্জিনহনবা ঙমই হায়বা হন্দক্তা উৎখিবা লৈখ্রবনি। অসুক মরু ওইবা লৈবাক অসিগী জুদিসিএলগী থবক থৌরমদা নাকপাক অমা হেন্না শরুক য়ারিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটশিংগী ওফিস মৈ থাদোকপা হায়বসি তৌহৈদবা থবক্লি। মৈ থাখ্রবা তুং অসিদদি মরাল লৈরে হায়না চৈরাক পীবা য়াবা কাঙবুসু মঙক ফনগৎলক্লগনি। লন্নাই মীওই কয়াগী খুদম চাংদমশিং য়াওবা চে-চাংশিং মাংখিবদা মীওই অদুনা মরাইবক থিহৌগদবা অমসুং মাগুম্বা কয়ানা ফংলমগদবা চৈথেং অদু খঙদবা হায়বসি লাইবক থীবনি। দিমোক্রেসিগী শেংলবা লাইশঙগা মরী লৈনবা লোয়শঙ অমদা এটেক তৌবা হায়বসি অচম্বা থৌদোক নত্তে। মসি অৱাংবা থাক্তা খুন্নাই অসিনা কন্দেম তৌফম থোকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি অসিগুম্বা লুরবা ওফিসশিং অসি করিগীদমক্তা ঙাক-শেনবগী থবক পায়খৎলমদবনো হায়বসিনি। মীওইবগী পুন্সি কন্নবনি হায়বগী মিংদা মীওই কয়াদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং পীবা ঙম্লগা লৈঙাক্কী মরু ওইবা লোয়শঙশিং ঙাক-শেন্নবা সিক্যুরিটি থম্বা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলনি হায়দবা ঙল্লোই। মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা মরু ওইবা ওফিসশিং ঙাক-শেলহনসি। মরু ওইখ্রবা লোয়শঙ মৈ থাবদা চেন্নবশিং পুথোক্কদবনি। মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎফম থোকই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লরগা মণিপুর কনসি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মণিপুর** হৌরকঙৈদগী হৌনা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নদুনা লৈরকপা লমদম অমনি। চীংনা কোয়না পনঙাকপা ময়ায়দা থম্বাল শাৎপগুম্বা ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা লমদমনি। লেপ্লে ঙানা মনীং তৌনা ইয়াইদা চেন চোংদুনা শান্নজরম্বা ঙা মখল শুনা লৈজবা পুখ্রি অমনি। চীংমী তম্মীগী ফীভম হেন্না ফরমই। হিন্দু, মুসলিমগী ফীভমসু হেন্না ফরমই। মীতৈ/মৈতৈগী ফীভমসু ফরমই। লোয়ননা নুংশি চান্ননা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা থৌদোক থোকপদা শরুক য়ান্নদুনা লৈমিন্নরকপা মতমদু নুংশিদ্রা। ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লদুনা অপূনবা মণিপুরনি খন্দুনা লৈজরকপনি। কদাইদগী কদোমদগী অশাবা নুংশিৎ শিৎচিল্লক্তুনা চীংমী তম্মী মতম খরা কাউথোক্লরুরে। মসিবু হঞ্জিল্লক্লবা কন্না হোৎনবনি অদুবু য়াদে, অকায়বা অতেকপা নুং শম্বা য়াদবগুম থোক্লে। পীক্ল-পীক্লবা অখুবা ৱাখলনা লাঙ্গৈাই চন্নখ্রে। নুংশি চান্নবা ৱাৎলক্লে। মসিদা ঐখোয়না তৌগদৌরিবসি করিনো? উচিদা হঞ্জিনরসি য়াখিগদ্রা চিংনদবা ঙল্লক্তে।

মতম কুইরক্লে চফুগা উয়ানগা থেংনদবা। লৈবনা পূন্না লৈমিন্নরি অদুগা ৱানা মীগী ঙাঙনরি। ঐগী ঐগী ৱাখলনা হেনখিদুনা অচুম অরান খঙনদ্রে। মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনসি য়াদ্রি। অসুম্না নাগানা পাম্মী গ্রেটর নাগালেন্দ, মীতৈনা পাম্মী মৈত্রবাক, কুকিনসু পাম্মী কুকি হোমলেন্দ লোয়ননা মুসলিম ইচিন ইনাওশিংনসু পাম্মী মুসলিম মাইনোরিটি অদুবু লমদি অমত্তনি মণিপুর। মচেৎ মচেৎ থুগাইনীংবগী মাগী মাগী কাঙলুপ মশেলগী ওইবা পীক্লবা অখুবা মিৎয়েংখক্তনা লমজিং ওইদুনা লৈবাক ঈরাং থোকহন্দুনা লৈরি। মসি কোক্লবা ঙসিগী মীরোলনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনদ্রবদি তুংগী অফবা ওইররোই। মরমসিনা পাল্লিবা লৈঙাক, লৈরিবা ফুরুপশিংগী লীদরশিংনা ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লদুনা হান্নগী মণিপুরদু অমুক্তং পুরক্লবা অরৈবী থৌনা পাঙ্গল পুথোক্লদুনা হোৎনরবদি করিগীসু ঙল্লোই। য়ান্নদবা কয়া পূন্না ফম্মিন্নদুনা শেগা-মাইগা হায়নদুনা অচুম চুমদা থিদোকমীন্নসি। মসি ঈশ্বরনসু য়াগনি। পূন্নমক ঙম্নবা হোৎনসি, মতম চারিঙৈ য়েহৌসি। মণিপুরগী থৌনা লিংজেল উৎসি। ইপা ইপুগী মীংচৎ কনসি। আই এল পি চৎনহনসি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ, খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১। ‘চেরৈ’ ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী অইবা কনানো ?
২। ‘মমিগী মমি’ শৈরেংগী লাইরিকসি কবি কনানা ইরম্বনো?
৩। ‘কেক্টস মানবী’ ৱারীমচা ইবী অইবীদু কনানো?
৪। ‘কায়রবা ঈশিং পুন’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০২, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১। ‘হজ্জ’ উপন্যাস অসিগী অইবদু কনানো? ঃ- *পাচা মৈতৈ*
২। ‘‘বুদ্ধিগী ৱাসিদি/ভাব তাদ্রে ঐখোয়দি/হৌজিক হায়বসিবু কৈদৌঙৈনো।’’ কবি কনানা হায়বনো? ঃ- *রাজকুমার ভুবনসনা*
৩। ‘অমংবা নোংলক্কী নোংথাং’ ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো? ঃ- *সত্যবতী নিংঙোম্বম*
৪। ‘মচোই তারবা তাইবঙ’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো? ঃ- *এম মনি মৈতৈ*
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞ ঃ- *লৈশাংথেম রামসিংহ*



# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

১. খামেন অশিনবা, নামধারিগী মখলনি; মনাসি পীকশিল্লগা কোনশিন কোনশিন্না লৈ অমসুং কোনশিল্লিবা মনাশিংগী মনুংদা তীলকুপ ময়াম অমা য়াওই। তীল খরখক য়াওরম্বসু য়াওই। মসি হাৎনবা করি হীদাক শীজিন্নগনি।

**-অহোংশাংবম হেরামনি, থৌবাল লৈশাংথেম**

➪ Diafenthiuron 50% (Pegasus) গ্রাম ১২.৫ (গ্রাম ২৫ য়াওবা হীদাক্তুগী তঙ্খাই অমা) ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাগী মখা থংবা মায়কৈদসু চোৎনবা স্প্রেয়রগী নোজল মথক ওনখৎলগা কাপখৎকনি। মনাসি মথক মখা চোৎহনগনি।

২. ওর্গেনিক ওইনা পুথোরকপা পোথোকশিং য়াম্না পাম্নে। মমলসু ৱাংই। অদুবু পোৎলমশিং অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা থারিবা পাম্বীশিংদুদা তারিবা লায়না তীলনাশিং লাকশিন্নবা হীদাকশিং মপূং ফানা ফংলগদ্রা?

**-নুপামচা সিংহ, ককচীং ৱাইরি**

➪ হীদাক মরাং কায়না ফংলে। নাপী হাৎনবা হীদাক অমসুং কোকফাই লকশিন্নবা হীদাক্লচিংবদা অৱাৎপা খরা লৈরবসু ওর্গেনিক ফার্মিং তৌবদা থোইনা লুবা হায়বদুদি ওইররোই। পাম্বীশিং থাবদা লায়না তীলনাশিং লাকশিনবদা চংলিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বেদি ‘থাবগী কাঙলোন’ চুম্বা হায়বসিনি।

৩. হৌখিবা চহীদা ঐগী লৌফমদা ফৌ চরোংগী মথক্তা খামদেকপী ‘নেক ব্লাষ্ট’ য়াম্না তাখি। ফৌহাম য়াম্না শাৎখি; ফৌথোক য়াম্না হন্থখি। কুমসিদি লায়না সিদগী ঙাকথোক্লবা করি তৌহৌবা তাবগে?

**- থাওনাওজম প্রবিন সিংহ, ৱাবগাই**

➪ ফৌনাশিংদা মীৎ মওং মানবা, মতম কুইশিল্লকপগা লোয়ননা দাগশিং শমজিন্নরকপা লিফ ব্লাষ্ট তাহন্দনবা চেকশিনগনি। থংনবা লৌফমশিংদসু লায়নাসি তারবদি চেকশিনবা চঙই। লায়নাসিনা শাংথরক্লবদি নেক ব্লাষ্ট শোয়দ্রে। মরম অসিনা লিফ ব্লাষ্ট তাবা উরবদি Tricyclazole 75% গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মশা চোৎনবা কাপথোক্কনি। হীদাকশিং মনাশিংদা মপূং ফানা নপ্পবা ষ্টিকর মিলিলিটর মঙাসু হাপহৌসি। শঙম অমা চাওবা লৌফমদা Tricyclazole 75% গ্রাম ৭৫ চঙগনি।

৪. ইঙ্খোল মনুংদা উহৈ-ৱাহৈ, হৈ-লৈ, এঙ্খাং, মনা-মশিং থাজে। লৈশৌ য়াম্না কল্লি। মমাঙদা লেপমুক ৱাংবা মঙ্গে পাম্বী অমা লেপকং কংখ্রে। হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা অনেম্বা মখলগী পোঙহৈতোন পাম্বী অহুম কংলে, মনালৈ পাম্বী অমা, খামেন পাম্বী লেপকং কংখ্রে। পাম্বীশিং অসি ফুক্তৎলগা য়েংবদা মরাদা লৈশৌ (না চাবগী মফম লোইনা) লৈরম্মী। পাম্বীদদি শোক্তবা, লৈশৌ হাৎপা ঙম্বা হীদাক তাকপীরকউ। মখা তানা লৈশৌনা পাম্বীশিং শোকহনদনবা ঙাকথোক্লবা পাম্বে করি লৈবগে?

**-পি ইবোচৌবা, ককচীং**

➪ খুদক্কী ওইনা লৈশৌ হাৎপদা Chlorpyriphos শীজিন্নে। তুং কোইনা হাৎনবগীদমক্তি লৈশৌ হাৎপা ঙম্বা কোকফাই *Metarhizium anisopliae* (Pacer) ওইনা নৎত্রগা অতোপ্পা ত্রেদ নেম অমগী হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

Pacer গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়াল্লগা লৈশৌশিং পূন্না পূন্না লৈবা মফমদা তীলশিং চোৎনবা কাপসি।

ৱাহংসিগা মরী লৈননা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈশৌ হাৎপগী মরমদা থমজখ্রে। য়েংবিয়ু।

৫. ড্রেগোন ফ্রুট (পীটায়া) পাম্বী খরা থাজে। অঙাঙবা অমসুং অঙৌবা অনীমক্কীনি। অঙৌবগী পাম্বীনা মপাল য়াম্না শাবা হেল্লি, মপালদগী মহৈ ওল্লক্লবা মতুং অশংবা মচু ওইনা লৈগদবা অদু নাপু মচু চঙশিল্লক্লগা পৎলগা লোইনমক কেল্লি, মসি হন্দক্কী সিজন অসিদা মরোল অনীরক শুরে, করম্না ঙাকথোক্কনি। অঙাঙবগী মহৈদি মহৈ মপূং ফারে। কেমিকেল হীদাকশিং হৌজিক ফাওবগী শীজিন্নদ্রি।

**- পি ইবোচৌবা, ককচীং**

➪ মপালশিংনা মপূং ফানা মহৈ ওইদবগী মরমসি ফর্টিলাইজ তৌবা ঙমদবগী ওইবসু য়াই। নৎত্রগা কোকফাই মখল কয়া তাশিনবগী ওইবসু য়াই। অতোপ্পা মরম অমনা Fruit fly তাশিনবগীসু ওইবা য়াই। হায়রিবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা ওর্গেনিক্কী ওইবা হীদাকশিং লৈ। Fruit fly গী ওইনসু লাং শীজিন্নবা য়াই। চপ চাবা লায়ওং লেপথোক্লবা ইশাগী দিষ্ট্রিক্ট থৌবালদা লৈবা কে ভি কে থৌবালদা পুবিরক্লগা য়েংথোকসি।





*ড্রেগোন ফ্রুট (পীটায়া) পাম্বী (ওই) অমদি ড্রেগোন ফ্রুটকী মহৈ*

# উহৈ পাম্বীশিং মশা মরেং থাদোকপা অমসুং পাম্বীগী মওং শেম্বীবা

**এস সুমঙ্গোল সিংহ**

**অঙাং** অমবু পীক্লিঙৈদগী শেম্বী শাবীদুনা মপুন্সিদা মী ওইনবা অমদি তুং কোইনা মপুন্সি নুংঙাইনা, খুন্নাইগী থবক থৌরম কয়াদা মপূং ফানা শরুক য়াদুনা হিংবা পুন্সি অমা ওইনবা শেম্বী শাবীহৌবা হায়বসিদা মমা মপা ওইরিবা ঐখোয়গী থৌদাং য়াম্না চাওনা লৈ। মতৌ অসিগুম্না হৈকোন শেন্নরিবা নৎত্রগা হৈ পাম্বী অমবু থাদুনা মহৈ চাননবা হোৎনরিবা ঐখোয়না হৈ পাম্বী অদুবু কূপ্না শেন্নবা অমসুং শেম্বীবা চঙই। পাম্বীদুগী মচিঞ্জাক নীংথিনা পীবা, মতম চানা ঈশিং চাইবিবা, লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীবা অসিনচিংবা থবক থৌরম কয়া অমনি। হায়রিবশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মরু ওইবা থবক থৌরম অমা পনবা তারবদি হৈ পাম্বী অদুবু মওং চুম্না অপাম্বা মওংদা হৌহন্নবগীদমক চাং নাইনা মতম চানা, মওং চুম্না অমদি মরম চানা মশা মরেং থাদোকপীবা অমদি পাম্বীদুবু অপাম্বা অচুম্বা মওংদা হৌননবা শেম্বীবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা থবক থৌরম অমনি হায়জনীংই। মসিবু লৌউ-শিংউবগী লোন্দা pruning and training হায়না খঙনৈ। pruning হায়বসিনা মশা মরেং ককপবু খঙনৈ অদুগা training হায়বসিনা মশা মরেং ককপা মতমদা পাম্বীগী মওং শেম্বীববু খঙনৈ। হায়রিবা থবক থৌরম অসিগী তোঙান তোঙানবা মমিং, মওং কয়া অমা লৈখ্রে। পূম্ন মক্তু অমম্মম নৈনবগী মহুত্তা মরু ওইবা উহৈ খরদমক থৌরম অসি করম্না পাঙথোক্কনি হায়বদুগী মরমদা নৈনজগে।




**Pruning গী মতম ঃ**

নোংজুথা মতমদা উহৈ পাম্বীগী pruning মতম নত্তে। মতমসিদা pruning তৌবদা অকায়বা কয়া অমা লৈ। মরম অদুনা কনাগুম্বনা খঙহৌদবদগী করিগুম্বা নোংজুথা মতমদা উহৈগী মশা মরেং কক্লুরবদি লায়না তীলনা কয়া অমা তাশিল্লকপগী খুদোংথিবশিং নংবা য়াই। মরম অদুনা অয়াম্বা উহৈশিংগী pruning নোংজুথা লোইরবা মতম ওক্টোবর, নবেম্বর মতমদা পাঙথোকপীগনি।

**উহৈ পাম্বী খরগী pruning and training ঃ**

**চম্প্রা - কোমলা ঃ**

মখোয়গী মশা মরেং ককপগী মওংদি অহানবদা মপূং ফাবা মৰু অমতং চুম্না হৌহন্নবা হোৎনগনি। অতোপ্পা নাকন্দা চোংবা মশাশিং নীংথিনা মৰু মনাক নক্লা য়াম্না নানবা মওংদা কক্কনি। মৰু মনাক নক্লা ককপনা অককপা মফম অদু মওং চুম্না অমদি খূৎলৈ থুনা ফাজিনবা/ওইশিনবা ঙমহল্লি। অসুম্না মওং চুম্না পাম্বীনা হৌগৎলবা মতুংদা, ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা পাম্বীগী মতোন অদু কক্কনি। মসিনা পাম্বীদু মশা ময়াম অমা চোংহনবদা মতেং পাঙগনি। অসুম্না মশা কয়া অমা চোংলবা মতুং থা তরেৎতগী চহী অমা ফাওবগী মনুংদা অমুক হন্না মায়কৈ মরিদা চোংলকপা মশা অহুম নৎত্রগা মরি কক্লগা অতৈ অহেনবা মশাশিং ককথৎকনি। খাক্লিবা মশা অহুম/মরিদুনা পাম্বীদুগী মপূং ওইবা মশা ওইননবা শেম্বীগদৌরিবনি। হায়রিবা খাক্লিবা মশাশিং অদুদা উহৈ পান্নবা শেম্বীবা য়ারে। অসুম্না শেম্বীরবা মতুং উহৈ পাল্লবা পাম্বীদা pruning তৌবীগে হায়রবদি পাম্বীদুদা চোংলকপা কা হেন্না মশা ফবা চিথেক নাইবা, তিঙ্খং য়াম্না শাংনা পানবা চপ য়ুংনা থিনগৎলকপা/চোংখৎলকপা মশা য়াওরবদি মদুসু মতম মতমদুদা ককথহৌগনি। মখোয়সিবু water sprout হায়না খঙনৈ। উহৈ থারিবা ঐখোয়নদি পাম্বী মশা ফনা হৌরে খনবা য়াই অদুবু মশা অসিনা উহৈ পানগদবা অতৈ মশাশিংবু উহৈ পানবা ৱাৎহনগদৌরিবনি। হায়রিবা মশা মখল অসি উহৈ পানদ্রিঙৈ মতমদসু থেংনবা য়াই। মতমদুদগী হৌনা অসিগুম্বা মশাশিং ককপীগনি। অতোপ্পা লায়না তীলনা চেনবা, মশা লোনশিন্নবা, খুদিংমক মতম চানা ককথৎপীগনি।

**হৈনৌ ঃ**

হৈনৌ পাম্বীদা pruning তৌবগী মথৌ কয়া তাদে। অদুম ওইনমক অকংবা, লায়না-তীলনা চেনবা, অমগা অমগা লোনশিন্নবা মশা য়াওরবদি অদুমক ককথৎপীগনি।

**পুঙদোন ঃ**

মতম অমদদি পুঙদোন পাম্বীদা pruning তৌনরমদে অদুবু মতমগী মতুং ইন্না হৈকোনগী মেনেজমেন্টতা অহোংবা কয়া অমা লাকপা মরম্না পুঙদোন পাম্বীদা pruning তৌবদা কান্নবা ফংলে। মপূং ফারবা চহী লীরবা পাম্বীদুদা চোংলিবা মরু ওইবা মশাশিং অদুদগী মশা ফবা মশা অহুম মরি খল্লগা নেমতক্লা হায়বদি ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা মশাশিং অদু কক্লবদি অনৌবা মশা কয়া অমা চোংহল্লবা মতুংদা ময়াইরোমদা চোংলকপা মশাশিং কক্লগা মতাইরোমদা মশাশিং হায়দোকহল্লবদি পুঙদোনশিং নীংথিনা নেম্না নেম্না মপূং ফানা পানবগী পাউ লৈ। অনেম্বা পাম্বী ওইরবনিনা শেন্নবদসু লাইহল্লি। অসুম্না হৌরিবা পাম্বীগী ময়ায় থংবা শরুক হাংহন্দুনা মতাইদা মশাশিং নীংথিনা চোংহন্দুনা শেম্বীবগী মওং অসিবু ওপন সেন্ট্রেল হায়না খঙনৈ। অসুম্না শেম্বীবা পাম্বীগী মনা খুদিংমক নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংদুনা অফবা, অথুবা অমসুং মপূং ফাবা উহৈ পানবদা মতেং পাঙই।

**অঙ্গুর ঃ**

মণিপুরদা অঙ্গুর মায় পাক্লা থানবা হৌরে। অঙ্গুরদদি pruning and training তৌদবা য়াদে লোয়ননা pruning তৌবা মতমদসু য়াম্না চেকশিনবা ফৈ। লম লমগী অমদি ভেরাইটি তোঙানবগী মতুং ইন্না pruning মতম অমসুং মওং খেন্নে। পাম্বী অসিগী pruning তৌবদা খঙজিনবা য়াবা খরখক্তং থমজগে। থাবদগী ইহান হানবা মপান শারকপা খুদিংমক থদৎপীগনি। মসিনা পাম্বীদু মপূং ফাহনবদা মতেং ওইগনি। পাম্বীগী মওং অদু চুম্না কাহনবীগনি। কয়া য়াম্না ৱাংহনগনি হায়বদুসু ঐগী ইশাগী থারিবা মফমগী মতুং ইন্না খনবীহৌগনি। শারিবা শগাইদুগা চান্ননা মরীশিং অদু মপূং ফানা থাহৌনবা খনবীগনি। মশাশিং অদু য়াম্না কুংনা পাল্লবদি খরা লম্থোকহনবা কান্নগনি। মসিনা মনাশিংদা নুংশিৎ অমদি নুংশা মরাং কায়না ফংহন্দুনা মনানা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং ওই অমদি লায়না তাবদগী কনবা ঙমহল্লি। অঙ্গুর পাল্লিবা পাম্বীদা চোংলকপা মহৈ পানবা মশাশিং অমদি মকোইশিং লৌথোকপা কান্নে। চরোং পাল্লিবা মশাগী অরোইবদা মনা মরিগুম্বা খাক্লগা মতোন থদৎপসিসু মহৈ মপূং ফাহনবদা মতেং পাঙই। মণিপুরদা থারিবা অঙ্গুরশিং ভেরাইটি মশক খঙবগা লোয়ননা শগাই শাবগী মওং খঙদোকপা মথৌ তাই। করম্বা মতমদা pruning তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়বনচিংবা খঙদোক্তুনা মতম চানা মওং চুম্না pruning তৌরবদি অঙ্গুর থাবগী কান্নবা হেন্না ফংগনি খল্লি। মসিগী অকূপ্পা ৱাফম মমাঙগী খূৎই খরদা থমজখ্রে। খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম অমনা অঙ্গুরদি চহী ফারবা মরীদা চোংলকপা মশাশিংদা মহৈ পানগদৌরিবনি। মরম অদুনা মশা থাবা মতমদা চহী ফারবা মশা মপূং ফানা খাক্লগা কান্নদবা অহেনবা অকুংবা মশা লৌথোকপীগনি। মশা থাবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবসু চঙই মরমদি চহী ফাদ্রিবা মশা খাকহৌরগা চহী ফারবা মশাশিংনা ককথৎখ্রবদি মথং চহীদা অঙগুর পাল্লোইদৌরিবনি।

**Pruning গী কান্নবা ঃ**

পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনা মশা মরেং ককপগী কান্নবা অদুমক লৈ। অহেনবা মশা মরেং লৌথোকপনা পাল্লিবা মহৈশিং মপূং ফাহনবা ঙম্মী। মরমদি কান্নদবা মশা মরেংশিংদুনা অরেম্বদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক চাথোকখিবা মরম্না পাল্লিবা উহৈ মপূং ফাবা ৱাৎহল্লি। মখোয়না শীজিন্নথোকখিগদবা মচিঞ্জাকশিং অদু পাল্লিবা উহৈশিংদা ফংহন্দুনা মপূং ফানবরোমদা ওইনা শীজিন্নহনবা ঙমহল্লি হায়বনি।

**মশা ককপগী মওং ঃ**

মশা ককপা মতমদা মশা অদু পাল্লিবা মওং নৎত্রগা মশা অদুগী মখোঙ থেংনা হায়বদি মৰুগী মনাক নক্লা ককপীগনি। মসিনা অককপা মফম অদু থুনা ওইশিনবদা মতেং পাঙই। মখোঙ থেংনা ককপা য়াদবা নৎত্রগা থেংনদনা কক্তবা য়াদবা মওং ওইরগনা ককফম অদুগী মমাই অদু মখাদা ওন্থবা মওংদা থম্বীগনি। মসিনা লিক্লা নৎত্রগা নোংগী ঈশিং তুংশিন্দুনা মশা অদু কোকফাই শুজা তাবদগী কনবা ঙম্মী।

চম্প্রা, কোমলা, অঙ্গুর, পুঙদোননচিংবা পাম্বীদি য়েনিং হুন্না হুন্না অনৌবা হুল্লিবা মশাদুদা মপান শাদুনা মহৈ পাল্লি। অসিগুম্বা পাম্বীগীদমক্তি অরিবা মশা চহী ফারবা নৎত্রগা খরা হেল্লবা মশাশিং মপূং ফানা মফম চানা খাক্লবদি মথং চহীদা উহৈ নীংথিনা পানবা ঙম্মী। নাসপাতি, চুমব্রৈ, হৈখো, মালহৈনচিংবা পাম্বীদা অরিবা মশাদা তিঙ্খং মানবা spur হায়না খঙনবা শরুকশিং থিন্দোক থিন্দোক্তুনা য়াওই। হায়রিবা spur শিং অসিদনি মপান শাদুনা উহৈ পানগদৌরিবসি। মশা থাবা মতমদা অসিগুম্বা spur য়াওবা মশাশিং লোয়না থাদোকখ্রবদি মথং চহীদা উহৈ পাল্লোইদৌরিবনি। মরম অদুনা য়াম্না চেকশিন্না spur য়াওবা মশাশিং খাক্লগা spur য়াম্না য়াওদবা অহেনবনি খনবা মশাশিংতমক থাদোকপীগনি।

অসুম্না উহৈ খুদিংমক্কী মরমদা খঙদোক্লবা হোৎনরবদি উহৈ থাবগী কান্নবা খরা হেন্না ফংগনি খল্লি।